

GAS

Misao Gas
BK. 23-04-2019,
VF. 1-04-2019...STK 612
Loktak Indane
BK UPTO DATE ...STK 297
Delivery time 7.30am - 10.30am
Lambodara Indane
BK. UPTO DATE ...STK 306
Delivery time 7.30 am - 10am
Santhel Bazar Indane
BK. 20-04-2019,
VF. 10-04-2019...STK 306
M.M Gas
BK. 22-04-2019,
VF. 16-04-2019...STK 568
Hrangchal Gas
BK. 17-04-2019
VF. 11-04-2019...STK 306
Hiyangthang Indane
BK. 1-04-2019
VF. 31-03-2019...STK 306
Khumbong Indane
BK. 12-04-2019, SL 200
VF. 10-04-2019...STK 306
Canchi Indane
BK. 8-04-2019
VF. 2-04-2019...STK 612
5KG AVAILABLE
Haran Valley Kwakta
BK. 6-04-2019
VF.18-3-2019... STK 306
Athokpam Indane
Wangjing Khongjom
BK. 6-04-2019
VF. 16-03-2019...STK 612
Lamshang Gas
BK. 10-04-2019
VF. 3-04-2019...STK 306
K&K Indane
BK. UPTO DATE...STK 306
Delivery time 7.30 am - 11am
Maibia Moirang
BK. 29-03-2019
VF. 26-03-2019...STK 306
SL. 7821 - 9080
Sawombung Indane
BK. 2-04-2019
VF. 19-03-2019...STK 306
Leibaklei Kakching
BK. 15-03-2019, SL 43003
VF. 27-02-2019...STK 612

মশা মশা য়ান্নদুনা চেন চোংদুনা মীরোল্লবা মতুং নুপানা ইন্থোকপীরে ঃ ভিক্তিম

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ হৌখিবা চহি ২০১৮ কী দিসেম্বর ২১ দা মশা মশা য়ান্নদুনা চেংদুনা বেঙ্গলোরদা থা ২ হেন্না লৈমিন্নদুনা মশা ৱাই শংলক্তবা মতমদা অঙাং অদুবু এবোরসন তৌখ্রে হায়না প্রেসর তৌবত নত্তা মশাকুসু ইন্থোকপিরে হায়না থৌদোক অদুগী ভিক্তিম ওইরিবী লাংঙথেল ময়াই লৈকাইদগী নাওবি (অশেংবা মমীং নত্তে) ঙসি প্রেস ক্লবত পাংথোকখিবা পাউমীফম অমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তনা হায়খিবদা লাংঙথেলদা লৈবা সাইনিং একাদমি স্কুলদা মহাক্না পুন্না ওঝা ওইমিন্নবা লাংঙথেল কৈথেল মচাদগী সগোলশেম চিত্তরঞ্জন হায়রিবা মীওই অসিগা নুংশি নুংঙেলগী লমদা মরি লৈনরকখি। নুপা অসি মমাংদসু অতেপ্পা নুপী চেল্লবসু লৈ। নুপা অসিগী ময়ুমদা নোংমা নুপী অমা লৈগনি হায়না লাক্লে অদুনা ঐখোয় অনি কন্দায়দনো অমা চেল্লসি। মদুদা থোরকপা অফ ফক্তী দইত্ত পুন্না মহাক্না পুগানি হায়বদগী মমাংগী চহি ২০১৮ কী দিসেম্বর ১২ দা বেঙ্গলোরদা চেন্দুনা লৈখি।

বেঙ্গলোরদা লৈরবা মতু থা অনি রোম লৈরগা নুপা ময়ুমগী ইমুং মনুংনা হান্না চেল্লকখিবা নুপী অদুদা লুপা লাখ ৮.৫ পীরগা য়ান্নখ্রে। নখোয় অনি যুমদা থোরকলো। লুহোংনবা তৌসি হায়না ইমুং মনুংগী অহল লমনশিংনা কৌথোরকপদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি ৭ তা ইম্ফালদা থোরকখি। অদুবু মহাক্না নুপা ময়ুমদা য়ৌরকপা মতমদদি নুপা ময়ুমগী মীওইশিংনা মহাকপু কোক্লেং ৱাফমদা থমখি। তুদা নুপা ময়ুমনা মখোয় অনিবু নুপা অদুগী মনে থোকপা অমগী যুমদা লৈমিন্নহনখি। মদুগী মতু নুপা অদুনা লুহোংনবা ময়ুম মকে শেমজিন্নবা তৌগে হায়দুনা চংখিবদগী হল্লকখিদ্রে। লুহোংনবগী ৱাফম হৌদোক্লসু নুপা ময়ুমনা তাবিখিদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা যুমগী অহল লমনশিংনা পুলিসত কমপ্লেইন অমা তৌবদগী পুলিসনা ইমুং মনুং অনিমক কৌরগা মহাকপু মেদিকেল চেক অপ তৌবদা মীরোল্লে হায়বা খংলকখিবনি। অদুবু নুপা ময়ুমগী মায়কৈদগী চহি ১ দি লুহোংবা য়াখিরোই হায়বদগী ইমুং অনিগী মরক্ত য়ান্নবা পুরক্তুনা কেন্না লৌখৎপা হায়না য়ান্নখিবনি। অদুবু য়ান্নখিবা অদুগী ওন্ন তৌবা পুক্লদা লৈরিবা অঙাং অদু থুগায়খ্রে হায়না ফাওবা প্রেসর তৌরে। হৌজিক্তি মহাক মশা ৱাইশঙবা থা ৪ শুজিল্লক্লো অঙাং য়ৈথবা তরবসু নুপা অদুগী অয়াবা চংবনা মখোয় অনি পুন্না চংলগা এবোরসন তৌসি হায়রকবদসু নঙনা থোকপা তৌখ্রে হায়না থৌওইদনা লৈরে। নুপা অসিনা ওৎলৈ পালৈ তৌদুনা লৈরিবা থৌওং অসিদা মহাক্না অমুক হন্না হঞ্জিন্নবসু পামদ্রে। নুপা ময়ুমনা মহাকপু লৌশিনবগী মহুৎতা লুপা লাখ ২ পীরগে ৱা লোয়থোক্লবা তৌসি হায়রিবসি নুপীগী পুন্সিবু শেলগা মন্ত্রিকবগী থৌওংনি। নুপীবু লাইথিবিঙ্ঘম খনবা থৌওং অসি মরি লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবিদুনা নুপা অমসুং নুপা ময়ুমগী মীওইশিংবু ৱারকৱাতেন্দা মতেং পাংবিয়ু হায়খি।

কম্মিসন্না চে থাখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ সেক্সচুয়েল হরাসমেন্টকী কেস অমগা মরী লৈননা পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌখ্রবসু কেস লৌখৎলক্তবদগী ইম্ফাল ইষ্টকী নোংপোক ককচিংদগী কুমারি নিংথৌজম প্রভা দেবীনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসন্দা থাঙ্গৎলকখিবা কেসকা মরী লৈননা কম্মিসন্না মণিপুর পুলিসকী দি জি পিদা জুন ৩ ফাওবগী মনুংদা এফ আই আর অদুগী ষ্টেটস রিপোর্ট জুন ৩ ফাওবগী মনুংদা কম্মিসন্দা পীরক্নবা চে থাখ্রে। থৌদোক অদুগী ভিক্তিমগী মমীংদি প্রেসনা হাপচদ্রে।

বিটি রোদতা লৈরিবা বিল্ডিংশিং....

মখাদা মথৌ তবা এক্সনশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

মখা তনা আইএমসিগী মায়কৈদগী বিটি রোদতা লৈরিবা দুকানশিং অদু নিংথিনা শেমজিন শাজিন্দ্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা থোং লোন্নবসু খঙহল্লমখি। আইএমসিনা নোটিশ ইশু তৌখিবা অদুগা মরি লৈননা দুকানদারশিং অদুনা ফোংদোরকখিবদা দুকানশিং নম্ফুন্দা থোং লোলহন্দুনা অৱাবা পীবগী মহুৎতা বিল্ডিং নিংখায়দুনা অশি অনা নংদ্রিঙৈদো অসিগুম্বা চেকশিন থৌরাংশিং অসি হান্না লৌখৎলমগদবনি হায়না পেন্দবা ফোংদোরকখি হায়রি।

পুলিসতা পাউ পীরক্নবা খঙহল্লক্লি.....

গেমস এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটেরি লানচিং ভিল্লেজতগী পাওমিনলুন খোংশাই (৩৫) অপোকপা জাংখোঙম খোংশাই, ফাইশাবি ভিল্লেজতগী থাংজালেট হাওকিপ (২৬) অপোকপা জাংখোলুন হাওকিপ, মোলেম ভিল্লেজতগী লুংদিম এলাইজ বোইলেন অপোকপা থাংখোলেম লুংদিম অমসুং জামগিনলুন খোংসাই এলাইজ বোইলুল অপোকপা থাংলেটনি হায়রি।

পনবা য়াবদি থৌদোক অসিগা মরি লৈননা সুগনু পুলিসনা কেএসও গুনপি ব্লোককী থৌমী ৩ মমাংদা ফাখিবা লৈরবনি।

অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট এরিয়াদা আইননা য়াদবা মীওইশিং অমসুং এন্টি সোসিয়েল ইলিমেন্টশিংনা করবারৱালাশিংদগী নম হাদুনা শেল খায়নবগী কিহন খংহনবগী থৌওং কয়া চথরে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসপিনা পীরকপা রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তগী থা অনিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এরিয়াদা সিআরপিসিগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা অথিংবা থল্লে। অথিংবা অসিগী মতুংইন্না মীওই ৫ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবা, মী শিবা য়াবা পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌদুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

চেক তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ ঙসি তেঙনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ফুদ সেফটি ষ্টেন্দর্দ ওফিসিয়েল টিম অমনা মোরেদা য়োল্লিবা ম্যান্মার রোমদগী চান থরুবা পোৎ চৈশিং পুশিল্লক্তুনা য়োল্লিবশিং চেক তৌখ্রে।

ফুদ সেফটি ওফিসার কিপ্রিয়ালিনি, দিজিগনেটেদ ওফিসার এল সুবাটে, মোরেগী এদিসনেল এসপি কেঐচ রোবিন্সন, দিএসপি (কম্মান্দো) টিঐচ থোমাস অমসুং ওসি লেটখোহাও ভাইফে য়াওনা ঙসি অযুক অঙনবদগী নুংথিল অথেংবা ফাওবা চংখিবা ইন্সপেক্সন অদুদা মোরে রোমদগী পুশিল্লকপা উহে ৱাহৈশিং ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টনা পীরিবা রুলস অমসুং রিগুলেসনশিং অদু ঙাক্না চংনবসু খঙহনখি।

নোংমগী অশিৎপা শেল মুনবিখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ ঙসি নুমিদাংৱাইরম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী টেম্পোরেরি মার্কেট সেটতা ঙা য়োনবা সেন্দ্রা ইথিং মমাং লৈকাইদগী পুখ্রম্বম তেজমণি দেবী মপুরোইবা য়াইস্কুল কৌবা অমদগী নোংমগী অশিৎপা শেনফম লুপা লিশিং ৭ / ৮, গুলি অমসুং মোবাইল ফোন হাপ্পা শেঙ্গাও ১ মুনবিখ্রে হায়রি।

এবিদিদব্লিউজেয়ুনা ফার্ষ্ট পোজিসন...

পুন্সগী মকোক তারকখিবনি। লোয়ননা পোলিটিকেল সাইন্সতা মার্ক ১০০ গী মনুংদা ৯১ অমদি হোম সাইন্সতা ১০০ মনুংদা ৯২ ফংদুনা সবজেক্ট তোপ্পরসু ওইখি। হৌখিবা ২০১৭ দা বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী ঐচএসএলসি একজামিনেসনদা য়ুরেকা একাদমি স্কুলগী ওইনা ফার্ষ্ট দিভিজনদা চাদা ৮২ চৎপগা লোয়ননা সবজেক্ট মরিদা লেট্টর মার্ক ফংখিবা মহৈরোয়নি। ক্লাস টেনদা পোজিসন তাবা ঙমহৌদ্রবসু হোৎনববু কল্লবদি মীকোক থোংবা ঙম্মী হায়বসি ওইনাম বার্লিন মৈতৈনা তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা মঙাল অমা পীরি।

ওইনাম বার্লিনগী অপোকপা ওইনাম ব্রোজেন হৌজিক হৌজিক দুর্দরসন কেন্দ্র ইম্ফালগী পাউমী অমা ওইবগা লোয়ননা এবিদিদব্লিউজেয়ুগী মেম্বর অমা ওইনা হৌজিক হৌজিক থবক তৌরিবনি। পাউমী অমগী মচানা ফার্ষ্ট পোজিসন তারকপা অসিদা এবিদিদব্লিউজেয়ুগী মায়কৈদগীসু হরাও নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

বার্লিননা মায় পাক্লকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা এবিদিদব্লিউজেয়ুগী মেম্বরশিংনা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখি। অমদি বার্লিনগী লাক্কদৌরিবা তুংগী পুন্সিদসু অদুমক মায়পাকপা ওইয়ু হায়না এবিদিদব্লিউজেয়ুগী মায়কৈদগী য়াইফ মঙ্গোল পীখি।

এআরনা স্বাস ভারত অভিয়ান পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ হেদ ক্বার্টরস আইজিএআর (সাউথ) কী মখাদা ৯ সেক্তর এআরগী তুলিহল বট্টালিয়ননা ঙসি ওইনাম গার্লস হায় স্কুলদা স্বাস ভারত অভিয়ান পাংথোকখ্রে হায়না এআরগী চেরোল অমা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা লু নানবা অমসুং হকচাং নাদ য়েক্তনা থঙ্গী মরুওইবশিং অদু মফম অদুগী মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা নম্বোল কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা ঙসি ওইনাম গার্লস হায় স্কুলদা স্বাস ভারত মিসন অদু পাংথোকখিবনি। মদুদা মহৈরোয় অমসুং মনাক নকপদা লৈবা মীওই ১৫০ রোম হেনবনা শরুক য়াখি।

কেম্পেইন অদুগী শরুক অমা ওইনা স্বাস ভারত মিসন হায়বসিদা ইন্টরেক্টিভ লেকচর অমা পাংথোকখি। লোয়ননা মদুগী মতুং তারকপদা ওইনাম খুলদা মহৈরোয়শিংনা লু নানবগী দ্রাইভ অমা চথবগা লোয়ননা লু নানবা অমসুং অশং অমাংতনা থনবা ইনভাইরোনমেন্ট অমা থন্নবগী পান্দমদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা এৱার্নেস রেল্লি অমসু পাংথোকখি। এআরনা হকচাং ফনা অমদি লু নানবা ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা মখলগী থৌরমশিং পাংথোকখিবা অদুগীদমক স্কুলগী ষ্টাফশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা থাগৎপা ফোংদোকখি। লোয়ননা মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়ামদা মখা তানা কান্নবা পীনবগীদমক্তা অসিগুম্বা মখলগী এৱার্নেসশিং তোয়না পাংথোক্লবসু হায়জরকখি হায়রি।

মোরেগী যুম ১দা থল্লম্বা যুরানিয়মনি...

অদু অথুবা মতমদা থিগৎতুনা ফাগৎনবা হোৎনরগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি যুরানিয়ম হায়না থাবা পোৎশক অদু কুকি লোল ঙাংবা, মমায় মমিৎ খুন্বা, তুপি উপ্পা মীওই অমনা নেংখোনেংগী যুমদা অমুবা পোলিথিনগী বেগ অমদা হাপ্পুনা থল্লমখিবনি।

স্কুল তাবা লম্বী লৈতবদগী যুম...

নত্তনা অতোপ্পা খোং লম্বী অমত্ত লৈতে। হান্নদি মফম অদুদা লম্বী অমা লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ফুনজিনখিবনা জোব পায়দুনা থবক শুবদা ফংগদবা শেনফমশিং অদুনা জেসিবি ৱাইরগা তঙাইফন্দনা খোং লম্বী অমা শেন্নবা হোৎনরি হায়না ফোংদোকখি।

খোংচৎ অদুগী মতাংদা এমএসএফকী প্রসিদেন্ট এনজি মিলননা হায়খিবদা জিরিবামগী বোরোখাল প্রাইমরি স্কুল অসি স্কুল অমা ওইবগী মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রক্চর লৈতে। ওঝা অমসুং মহৈরোয়শিং নিংথিনা লৈতে। অফবা এদুকেসন ফংহন্নবা হায়দুনা সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং মফম অসিদা উবা ফংদে। জিরিবামদগী বোরোয়খাল ফাওবা চৎনবগী খোং লম্বী ফাওবা লৈতবনা ঈশিং লম্বীদা পুং ২ রোম মোটোর বোট তোংদুনা চত্থোক চৎশিন তৌবসি অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতম অসিদা অঙকপা অমা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা হিরম অসিদা সরকারনা মিৎয়েং চংদুনা গো টু ভিল্লেজ মিসনগী মখাদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনহন্নিংই হায়খি।

মণিপুরদগী উতমকুমার নিংথৌজমনা লিংখৎপা এলভীগো.....

মেনেজ তৌবদা য়াওদুনা জাপান অমসুং সিঙ্গাপুরদা মতম শাংনা থবক তৌরমই। মহাক হৌজিক আইইইই গীসু সেনিয়ার মেম্বর ওইরি।

ভিএলএসআই দিজাইন দোমেন অসি ইলেক্ট্রোনিক্স সিষ্টেম দিজাইন তৌবদা য়াম্না পান্নবা দোমেননি। অদুবু মসি দিজাইন তৌবদা য়াম্না লুবা দোমেননি। এলভীগোগী এক্সপর্টাইস ওইরিবা এনালোগ অমসুং আরএফ সার্কুইট দিজাইনদা সকসেসফুল ওইবা ভারতকী কম্পেনি মশিং য়াম্না তাংনা লৈ।

উতমকুমারনা ইং ২০১০ দা বেঙ্গলোরদা হেদ ওফিস ওইনা লিংখৎখিবা এলভীগো কম্পেনি অসিগী টিম অমনা বেঙ্গলোরগী হেদক্বার্টরদা অমসুং টিম ৩ না জাপানগী তোকিও অমসুং সপ্পোরো সিটিগী মফমশিংদা প্রোজেক্ট কয়া তৌদুনা লৈরি। মালেমগী মমিং চৎলবা ইলেক্ট্রনিক্স অমসুং সেমি কন্দক্টরগী কম্পেনি কয়াগা পুন্না প্রোজেক্ট কয়া হৌজিক তৌমিন্নরি। জপানদা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী মমিং চৎলবা জপানিজ কঞ্জুমর ইলেক্ট্রোনিক্স কম্পেনিশিং অমসুং চহী ১২০ হেল্লবা জপানগী ইলেক্ট্রোনিক্স দিজাইন কম্পেনি অমসুং স্পেস এজেন্সিনচিংবা কম্পেনি কয়াগা পুন্না এলভীগোনা থবক তৌমিন্নরি। এলভীগোগী টিমশিং মফম অদুদা লৈরি। কম্পেনি অসিগী মখাদা হৌজিক পুন্না মীওই ৩৬ না থবক তৌরি।

এলভীগো কম্পেনি অসি ভারতকী ইলেক্ট্রোনিক্সকী খ্বাইদগী অচৌবা এসোসিয়েসন অমা ওইরিবা ইন্দিয়া ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ সেমিকন্দক্টর এসোসিয়েসনগী মেম্বর অমা ওইনা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈরক্লি।

এলভীগো কম্পেনিগী এচিভমেন্টশিং অমসুং হাই ক্বালিটি এনালোগ অমসুং আরএফ সার্কুইট দিজাইন কেপেবিলিটিবু মশক খঙবা ওইনা ভারতকী মমিং চৎলবা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া পুথোকপা কম্পেনিশিংগী মরমদা ইদুনা ফোঙলিবা সিলিকোন ইন্দিয়া মেগজিন্না চৎলিবা চহী ২০১৯ গী ভারত পুন্সী ওইনা খ্বাইদগী প্রোমিজিং ওইবা কম্পেনি ১০ খনগৎপগী মনুংদা এলভীগো সার্কুইটসপু খল্লকখিবনি হায়রি।

মেগজিন অসিগী কোভর ফোটোদা এলভীগো সার্কুইটসকী ফাউন্দর অমসুং মেনেজিং দাইরেক্টর ওইরিবা উতমকুমার নিংথৌজমগী ফোটো য়াওরি।

মশামক হৌজিক বেঙ্গলোরদা লৈরিবা উতমকুমার নিংথৌজমগা পাউচে অসিগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নবদা মহাক্না হায়, মহাক্কী কম্পেনি অসিগী দোমেন অমসুং পোপুলরিটি অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরদা মমিং ইরে লৈত্রি। মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা কম্পেনি অসিগী দোমেনদা ইন্সটিটিউটনচিংবা লিংখৎলগা ট্রেনিং পীদুনা ইলেক্ট্রোনিক্স ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রেজুয়েটশিংদা থবক চংনবগী খুদোংচাবনচিংবা কয়া পীনবগী ৱাখল্লোনসু লৈ।

এনএসসিএন (আইএম)নি চিংনবশিংগী মথক্তা....

ইলেক্সন কেম্পেইন চথবদা পার্টি অমনা অমদা হুন্দোক–হুঞ্জিন তৌনবদা কনাগুম্বা খরদা নুংঙাইতবা ৱাফম কয়া থোকহনখিবা লৈরবদি মদুগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফাওই। তশেংনমক্তি নুমিৎ অদুগী থৌদোক্তুনা মহাক অমদি মহাক্কী পার্টিবু নুংশিজবা মীওই কয়াগী থম্মোয়দি অসুক্কী মতিক কায়হনখি।

এন ই আই দি পি হায়রিবা পার্টি অসিসু রিজনেল পার্টিনি। অদুগা এন পি এফ হায়রিবা পার্টি অসিসু রিজনেল পার্টিনি। মরম অদুনা পার্টি ২ অসিগী মরক্ত খেৎনবা থমদুনা ভব তদবা মানবা থৌওং কয়া চথরকপসি লাইবক থিবনি। পোলিটিকেল পার্টি অমা হায়বসি প্রজাশিংগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা প্রজাশিংবু নুংঙাইনা অমসুং চাওখৎনা হিংননবা হোৎনমিন্নবনি। মসিগুম্বা মরকসিদা হৌখিবা এপ্রিল ৬তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা পাংথোকখিবা এন ই আই দি পিগী ইলেক্সন কেম্পেইন্দা এন এস সি এন (আই এম) নি চিংনবশিংনা খুৎলাই পায়দুনা অনদিমোক্রেটিক ওইবা থৌওং কয়া চথদুনা ইলেক্সন কেম্পেইন চথবা য়াহনখিদবা অদুনা মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিবু নুংশিজবা মীওই কয়াগী থম্মোয় কায়হনবগা লোয়ননা খোইরাং খোইশাওনহনখি। অদুমকপু থৌদোক অদু মীখলগী ওইবা ইলেক্সন কেম্পেইনদিনা অমনা অমদা মরাল শিবগী মহুৎতা এন ই আই দি পিনা ইলেক্সন কেম্পেইন অদু মখা চথখিদে। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তদা এফ আই আর কেস থাখিবা লৈতে। মসিদা কনাগুম্বগা খরনা থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ আই আর কেস থাই হায়না মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিবু লান্না উহনবা অমসুং লান্না লৌরিবসি তৌবিগনু। মরী লৈনবশিংনা থৌদোক অসি শেংদোকপিয়ু। মখোয়গী ওইনদি ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা এফ আই আর কেস থাখিবা লৈতবনিনা পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট লৌবা, পাউফাওনবা অমদি থৌদোক অদুগা মরী লৈননা করিগুম্বা অমত্ত হংলকপা লৈতে। অদুনা এপ্রিল ৬তা লাইবক থিবা থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতু অমুক হন্না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিনা এফ আই কেস থাই হায়না অরানবা মরাল পীশিন্দুনা থৌদোক অমা থোকহন্ননবা হোৎনরিবা অসি তশেংনা লাইবক থিবা অমসুং নুংঙাইতবা থৌদোক্নি হায়না অসাং কসারনা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌবগা লোয়ননা মখা তনা শেংদোকখ্রে।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
HEINGANG IMPHAL EAST
Mutation Case No. 583/SDC/Hng/IE/ of 2019
Chungkhogin Haokip S/o (Late) Lunthang Haokip of Khabam I.G.A.R. South Gate . . .Petitioner
-Vrs-
(Late) Paokholal @ Lunthang S/o Semkhotong of Khabam . . . O.P.Party

NOTICE
Dated. 14/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি :- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ৫-খাবমদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ৪৪ অনৌবা পাট্টা নং: ৯৯১ / ৯৯৭ গী দাগ নং: ১৩৭ / ১২০৮ (Sheet-1) এরিয়া .০৮ একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি মচানুপা অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C.Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিং য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C.Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East
NT/76992/15(May)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
HEINGANG IMPHAL EAST
Mutation Case No. 585/SDC/Hng/IE/ of 2019
Thangjam Chakritombi Singh S/o (Late) Thangjam Kesho Singh of Matai Makha Leikai . . .Petitioner
-Vrs-
(Late) Thangjam Kesho Singh S/o (L) Th. Bokul Singh of Matai . . . O.P.Party

NOTICE
Dated. 14/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি :- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ২-অসৈলোকলেন দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ২৮ অনৌবা পাট্টা নং: ১৫৫ গী দাগ নং: ১৯৯ এরিয়া .৬৭ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C.Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিং য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C.Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East
NT/76992/15(May)

শ্রীশ্রী গৌরাচন্দ্রায় নম

পর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বা শ্রী পুয়াম ইবোপিশক সিংহনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং, মরী-মতা খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ০৪--৫-২০১৯ ইং, শজিবুগী ৩০ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা গুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী কৃষ্ণ চৈত্যনা ইন্দু লৈখ্যা দাশ হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপতি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৯-০৫-২০১৯ ইং, কালেনগী ৫ নি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা অষ্টি সঞ্চয় লৌখৎচরগা লাক্লিবা তাং ১৭-০৫-২০১৯ ইং, কালেনগী ১৩ / ১৪ নি পানবা ইরাই নুমিৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আতমা শান্তিগীদমক শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র প্রভুগী চরন্দা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং হরি সঙ্কীতনগা লোয়ননা কৎচগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মন-বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল অমদি লৈখিদ্রবনা তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরিনাম শর্বণ তৌবীরনবা পাউ-চেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

বিনিতগন:-
পুয়াম ওংবী জান্ধবী দেবী (লোইনবী)
অমসুং ইমুং-মনুংশিং
লিলোং চজিং বজার
হয়ার সেকেন্দরি মনাক

NT/HB/10-16(May)

PM FINANCE SOLUTION
(Umbrella of M/s Punshi Meira Enterprises)
Tera Loukrakpam Leikai, Opp. to Children Home, 2nd floor building
Imphal-West-795001 Manipur

Postoone PM Finance Solution Postoone
Tera Loukrakpam Leikai, Opp. to Children Home.
3rd Phase Lottery cum Tender

Karigumba khudong chadaba kharadagi Date 15 May 2019 dagi hougani haina touramba Marup asi lakliba **Date 30 May 2019** dagi oina sanaba houjaragani masigi damak member singna waroubidanaba haijari.
- Lottery winner **40 lakhs** pijagani. Thagi senkhia **Rs.5000/-**.
- Tender da **members 16** chatkani apunba amount **45Lakh** oigani.
- Lottery or Tender winner oirabadi makha tana marup hullaroi.
- Agent khara pamjei. Agent na member singi risks puhanjaroi.
- Agent da pijariba khudong chaba sing :-

Member 5 Rs.1500/Month. -Member 10 Gold 2 san loinana Rs.3000/Month. -Member 20 Gold 5 san Loinana Rs. 6000/Month. -Member 30 Honda Activa Loinana Rs.9000/Month. -Member 40 Royal Enfield Loinana RS.12000/Month. -Member 50 Rs.5 lakhs loinana Rs.15000/Month. -Member 100 Rs.40 lakhs One time Commission.

-Business Loan -Property Loan@ 3% -Recurring Saving@ 20% -Investment@ 4%
Office No. 9077289472/8014939809 Visiting Hours 10:30AM to 4:00PM
Sd/- PM Finance Solution

Unique Education CBSE
meitei [illegible]
Estd.2007 The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.

5-months Foundation for CBSE IX & X
5-months Foundation for CBSE XI & XII Sc.
2-months Vacation Course for NAVODAYA, SAINIK and OUTSIDERS CBSE school for Class IX, X and XI Sc.
Girls' Hostel in the same block
2nd May
Subjects { IX & X -- English, Maths, Science & S-Science; XI & XIISc.-Physics, Chemistry, Biology & Maths }
1. Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
2. Chingmeirong Maning Leikai @Alpha & Omega school
Van service Mor-5:30 to 9:00 Eve-4:30 to 7:30 32-students per class

RADIANT TUTORIAL
YUMNAM LEIKAI, IMPHAL WEST
RUN BY WELL EXPERIENCED CBSE TEACHERS
ADMISSION OPEN
FOR CLASS XI
CLASS STARTS ON: 3rd JUNE'19 (Monday)
CLASS TIMING: 4:40 pm to 7:40 pm
COURSE DURATION: 6 MONTHS (class XI)
SUBJECTS OFFER: PHYSICS, CHEMISTRY, MATHEMATICS & BIOLOGY
VAN SERVICE AVAILABLE
for further details, please visit Radiant Tutorial during office hour, 4:30 pm to 6:30 pm
NT/Y/15-24(May)

COMBINED TUTORIALS FOR CBSE
Estd. 2007 The Largest CBSE Tutorial Centre In Manipur.
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN, PARKING IMPHAL.
ADMISSION OPEN FOR 2nd BATCH
Class XI & XII CBSE 6 Months Foundation Course
Class IX & X CBSE 6 Months Foundation Course
Separate Class For Boys & Girls
Vacation Course for Navodaya, Sainik & Outsider Class IX, X & XII
Van Service | Hostel Available for Boys & Girls | Class Starting From 06th May 2019

ANGELS' COACHING CENTRE [illegible]
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE : 2ND BATCH FOR 2019 (Time 4:30 to 7:30 pm)
Class 3 to10 Starts on 22nd May, 19 (3 to 8 BOSEM & CBSE)

TOPPERS of 2018
1st Position Yaiphabi M.
2nd Position Patel Lairenjam
4th Position Malemnganbi Th.
4th Position Lydia Thokchom
5th Position Delina Soubam
7th Position Anjali Konjengbam
10th Position M. Pinky
10th Position Menthoi L.
12th Position Advance N.
16th Position Lanchenbi L.
18th Position Sangita Yumnam
20th Position Th. James
21st Position Ch. Melodie
22nd Position Dhanika A.
22nd Position H. Vishal Singh
99 in MAN AK Toshiba

VAN AVAILABLE
1. THOUBAL, LILONG, CANCHIPUR
2. OINAM, NAMBOL, MALOM
3. MAYANG - IMPHAL, SAMUROU
4. SEKMAI, MANTRIPUKHRI
5. MOIDANGPOK, KHUMBONG & PATSOI
6. PHEIDINGA, LAMSANG, LANGOL
7. GREATER IMPHAL AREA

Contact -
7628946313
9402897710
8732022342

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
STUDENTS OF NIRMALABAS, LITTLE FLOWER, HERITAGE, ST. JOSEPH, TINY TOTS, CATHOLIC SCHOOL, REGULAR, LEE FAITH, CHRIST JYOTI & OTHERS.
LIMITED SEAT
Last Date of Form Submission 16th May.